## এম দি সী হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫(ঐচএনএস) : মণিপুর ফিল্মগী মার্কেট চাউখৎনবা ফিল্ম প্রদ্যুসরশিংনা শেম্বা মমি দিষ্ট্রিব্যুসন সেন্টর (এম দি সী) ঙসি ফিল্ম ফোরমগী চেয়রমেন এল মাঙ্গোলজাও, এল সুর্যকান্তা অমদি বিজগুপ্তা লাইশ্রমনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা য়ুথ হোষ্টেল, খুমন লম্পাক্তা হাংদোকখ্রে হায়না এম দি সীগী মেনেজর রাধা এন্দ সুনিতানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। ফিল্ম পুথোক্লিবা প্রদ্যুসরশিংনা অমত্তা ওইনা য়ানখিবগা লোয়ননা এম দি সীবু সপোর্ট তৌনবা সেন্টর অসিগী কনভিনরনা পাউজেল পীরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## চাক্লোন কংকদৌরি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫(ঐচএনএস) : হঙ্গুল ইমা কালিকা লাইরেম্বীগী চহীগী চাক্লোন কংপগী থৌরম ফাইরেনগী নীনি পানবা থা অসিগী ২৭তা পাঙথোক্লগনি হায়না হঙ্গুল ইমা কালিকা লাইরেম্বী মেনেজিং কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি ৱাহেংবম রাজেনকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, চহী খুদিংগী চাক্লোন কংতুনা লাকপগী মখা চথরকপা ওইনা থৌরম অসি পাঙথোক্লবা শেম-শারে। থৌরম অসিদা লমদম অসোমদা লৈরিবা হঙ্গুল ইমানা কোনবা মফমদা লৈরিবা অহল-লমন অমদি মীয়াম্না শরুক য়াবীবু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## মীফম পাঙথোকখ্রে

তেংনৌপল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): বি জে পি তেংনৌপল মন্দল মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা নোংমগী ওইবা ওর্গনাইজেসন মীটিং অমা ঙসি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী লাইচিং খুনমান ভিলেজ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুরগী সংগর্ধন মন্ত্রি পি প্রেমানন্দ, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট বেঞ্জামিন মাতে, বি জে পি তেংনৌপল মন্দলগী প্রসিদেন্ট এল তোংখোলেন মাতে, এস এম মেথিয়ু, এগজিক্যুটিভ মেম্বর, এ দি সী চান্দেল, এম কে কোফাম-কাঙ্গোই কনষ্টিট্যুএন্সি (এ দি সী) চান্দেল অমসুং গৌতিনলম গাংতে-মোরে-সী কনষ্টিট্যুএন্সি (এ দি সী)না অথোইবা মীথুং, থৌরম মপু অমদি অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা সংগর্ধন মন্ত্রি প্রেমানন্দা অমসুং বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট বেঞ্জামিন মাতেনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংলিবা লৈঙাক অসিনা অনীশুবা টর্ম অসি ফাওবদা বি জে পিনা পায়খৎলক্লিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং অমদি বি জে পি মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা তেংনৌপল মন্দলগী থৌমীশিংনা পুন্না হোৎনমিন্নসি হায়খি।

## ভোটরস দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫(ঐচএনএস) : দিষ্ট্রিক্ট লেভেল নেসনল ভোটরস দেগী থৌরম ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দি সী ওফিস কমপ্লেক্স, লম্ফেলপাৎতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি সী, এন প্রবিন, এ সী টু দি সী পুজা এলাংবম, এ দি এম ব্রোজেন্দ্রো, এস দি ও দৌলটসু দেজদা ফমখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদগী নৌনা ইলেক্টর ওইরবা মীওই কয়াদা ইপিক কার্দ খুৎশিন্নবগা লোয়ননা তরাম্না ওকখি। ৱাঙাংলোয় কয়ানা ভোটরস দেগা মরী লৈননা ৱাফম কয়া থমখি।

## চেক পোষ্টশিংদগী এ আর লৌথোক্লগা ষ্টেট ফোর্সনা শীন্নবা সেন্টরদা তকশিন্নবা লেপ্পখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): ইম্ফাল মোরে লম্বীগী খুদেংথাবী চেক পোষ্ট য়াওনা হায়ৱেশিংদা লৈরিবা চেক পোষ্টশিংদগী এ আর লৌথোক্লগা ষ্টেট ফোর্স নৎত্রগা সী আর পি এফনচিংবা শীজিন্নবা সেন্টরদা তকশিন্নবা কেবিনেটনা ৱারেপ লৌরে হায়না লৈঙাক্কী ৱাঙাংলোয় ওইরিবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

সেক্রেটরিয়টতা লৈবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা টি ঐচ রাধেশ্যামনা হায়খি, ঙরাং নুংথিল পুং ৬ তগী নুমীদাং পুং ৯.৩০ তাবা ফাওবা কেবিনেট মীফম ফমদুনা এজেন্দা ২৪ রোমদা খন্ন-নৈনখি। ইম্ফাল-মোরে লম্বীগী খুদেংথাবী চেক পোষ্টতা এ আর পর্সনেলনা আই পি এস ওফিসর নুপী অমদা চথরকখিবা থৌওং অদুগী মতাংদা কেবিনেটনা কুপ্না খন্নরে। এ আরনা চেক পোষ্টতা চেক তৌবগী থবক চথবা কয়াদা অসিগুম্বা থৌওং চথরকপা অসি খন্ন-নৈনবগা লোয়ননা চেক পোষ্টতা এ আর থম্বগী মহুৎতা ষ্টেট ফোর্স নৎত্রগা সী আর পি এফকুম্বা লৈহন্নবা সেন্টরদা তকশিন্নবা লেপ্পখ্রে। আই পি এস ওফিসর নুপী অমদা চথরকখিবা থৌওং অসি য়ানিংদবা ৱাফম কয়া লেপ্তুনা ফোঙদোক্লরক্লি। সিভিল সর্ভিসকী মপান ষ্টেটতা লৈরিবা এসোসিএসন কয়াদগীসু থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ৱাফম ফোঙদোক্লরকপা লৈখ্রে।

এস এস এ অমদি আর এম এস এগী মখাদা লৌখিবা মতম শাংনা ৱাজরক্লবশিংবু রেগ্যুলর তাহন্নবা কেবিনেটনা লেপ্পরে। স্কুল ফগৎহনসিগী গাইদলাইন কয়াসু এপ্রুভ তৌরে। হোম গার্দকী রিম্যুনরেসন হেনগৎহন্নবগী মতাংদা লৈঙাক্লসু খন্নরে। ভেরিফিকেসন নীংথিনা তৌরগা থবক পায়খৎনবা লেপ্পরে। লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা প্রি নর্সরিদগী ক্লাস য়াওরমদবা অদু য়েংলগা স্কুল কয়াদা হৌজিক প্রি নর্সরি হাপ্পবা তৌরি। মমা-মপা ওইবশিংনা প্রি নর্সরিদগী হায়র ক্লাস ফাওবা লৈবা স্কুলশিংদা তমহন্নিংই। মণিপুরদগী আই লিগতা শরুক য়ারিবা টিম অনী মথংশিংনা, নেরোকা অমদি ত্রাউদা লুপা লাখ ৫০/৫০ পীনবসু লেপ্পরে। ১১ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী ৯শুবা সেসন প্রোরোগ তৌনবসু লেপ্পরে হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

## ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫(ঐচএনএস) : হুয়েন লাল্লোং মণিপুর থাঙ-তা কলচরেল এসোসিএসন, ইরিলবুংগী আর্টিষ্ট ১৫ হরিয়ানাগীদমক ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি পব্লিসিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, চৎলিবা থা অসিগী ২৭তগী পাঙথোক্কদবা ইন্টরনেসনল সরস্বাতি মহোটসব ২০২০, এন জেদ সী সীদা কলচরেল প্রোগ্রাম শরুক য়ারুনবা থাঙ-তাগী আর্টিষ্টশিং অদু ইম্ফাল থাদোকখিবনি। আর্টিষ্ট ১৫ অসিনা থাঙ-তা, লাই হরাওবনচিংবা পর্ফোমেন্স পীরুগনি। ইবোমচানা ক্রুপ লিদর ওইরগা চৎখিবনি। আর্টিষ্টশিং অসিনা মণিপুরগী মমাংঙৈদগী লৈরক্লবা থাঙ-তা অমসুং লাই হরাওবগী জগোয়-নচিংবা কয়া উৎলুগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## মহারাষ্ট্রাদা মণিপুরগী ভবন শাগদৌরিবা মফম ওফিসলগা লোয়ননা য়েংশিল্লুরে : তোম্বী

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): মহারাষ্ট্রাদা মণিপুরগী ভবন শাগদৌরিবা মফম পি দি এগী ওফিসলশিংগা লোয়ননা য়েংশিল্লুরে হায়না শিব সেনা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এম তোম্বীনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

বাবুপারাদা লৈবা শিব সেনাগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা এম তোম্বীনা হায়খি, ষ্টেট লৈঙাক্না মহরাষ্ট্রাদা ভবন অমা শানবা চপ চাবা থৌরাং লৌখৎলকপসি সপোর্ট তৌই। মহারাষ্ট্রাদা শিব সেনাগী লৈঙাক লৈরি। মণিপুরগী শিব সেনাগী প্রসিদেন্ট অমা ওইনা পি দি এগী ওফিসলশিংগা লোয়ননা মফম অদুদা চৎতুনা য়েংলুরে। লুচিংবা কয়াগসু উনদুনা ৱারী শানরকখি। মণিপুরদগী কেন্সর নাবা মীওই অমদি অনাবশিংগা চৎমিন্নবা মীওইশিংনা মফম অদুদা লৈফমগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লে। মফম অদুদা ভবন নৎত্রগা গেষ্ট হাউস শারক্লবদি লৈফমগী অৱাবা অসি খরদা ওইরবসু কোকহনবা ঙমগনি। মণিপুরদগী অনাবা কয়া লায়েংনবগীদমক মফম অদুদা লায়েংবা চৎনরি। লৈফমগী অৱাবা কয়া অমসু থেংনরিবনি।

ভবন অসি শানবগী পায়খৎলকপা খোঙথাংশিংদা শৌগৎকনি। লৈঙাক্না অফবা থবক তৌরকপদদি সপোর্ট তৌবা তাই। শিব সেনাগী মায়কৈদগী মণিপুরগী ইস্যু কয়াদসু শরুক য়াদুনা লাক্লি। হন্দক ইম্ফাল-মোরে লম্বীগী খুদেংথাবীদা এ আর পর্সনেল অমনা আই পি এস নুপী অমদা চথখিবা থৌওং অদু লাইবক থীবনি। এ আর পর্সনেল অদুগী মথক্তা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎহন্নবগীদমক য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর উনরগা মেমোরেন্দম পীশিনগনি। পি এম অমদি হোম মিনিষ্টরদা হীরম অসিগী মতাংদা তকশিনগনি। এ আরনা চেক তৌবদা কা হেনবা থৌওং চথবা অমদি মমাংথক্তা ষ্টেট অসিগী মিনিষ্টরদা ফাওবা চেক তৌবগী মওং কয়া থেংনখ্রে। হন্দক খুদেংথাবীদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা ভিদিও ক্লিপিংনচিংবা লৈবা য়াওরবদি পীবীরকউ। প্রাইম মিনিষ্টর অমদি হোম মিনিষ্টরদা পীশিন্দুনা চপ চাবা ৱাফমশিং থমসি। ষ্টেটসিদা আই এল পি চৎনরে। মপান লমদগী চঙলক্কদৌরিবা অমদি থোকখিবশিংগী ওইনা ওফিসলশিংনা নীংথিনা য়েংশিনবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## পোষ্ট ফেষ্টিভেল দিস্কসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস): খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রো কলচরেল ট্রষ্ট অমদি ক্রিটিক ফোরম মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসি ৱাংখৈ কৈথেল অশাংবীদা লৈবা হোট পোটতা পোষ্ট ফেষ্টিভেল দিস্কসন পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ডা. এল গোজেন্দ্রনা মোদরেটর ওইখি। খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রো ফেষ্টিভেল কম্মিটিগী চেয়রমেন আর কে নিমাই অমদি ক্রিটিক ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর এন তোম্বীনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি।

থৌরম অদুদা এল গোজেন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, প্লে উৎলবা মতুংদা নৈনবা অমদি দিরেক্টরশিংগী অপাম্বশিং অমসুং অয়েংবশিংগী অপাম্বশিং ফোঙদোক্লবা অমদি খঙমিন্ননবা পাঙথোকপনি। অফ-ফত্তা নৈনবা হায়বসি মরুওই। খন্নবনা চাউখৎপা পুরক্কদৌরিবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

আর কে নিমাইনা ফোঙদোকখিবদা, দ্রামা য়েংবদা নুংঙাইহনবা ঙম্বা হায়বসি মরুনি। ফজবা থিবা হায়বসি অয়েংবশিংনা ফোঙদোকপনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি। থৌরম অদুদা দিরেক্টরশিংগী ওইবা মোত কয়াসু ফোঙদোক্লুখি। সজেসন কয়াসু পীনখি।

## টিম বিল্ডিংগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট কোওপরেটিভ বেঙ্ককী স্পোন্সরশিপ মখাদা ইনষ্টিট্যুট ওফ কোওপরেটিভ মেনেজমেন্ট, ইম্ফালনা শীন্দুনা ঙরাংদগী চথরকখিবা মোটিভেসন এন্দ টিম বিল্ডিং ফোর ওফিসল ওফ এম এস সী বিগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম ঙসি লোইশিনখ্রে।

লম্ফেলপাৎতা লৈবা আই সী এমগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম লোইশিনবগী থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট কোওপরেটিভ বেঙ্ককী মেনেজিং দিরেক্টর এ সুভাসনা চীফ গেষ্ট, মণিপুর ষ্টেট কোওপরেটিভ বেঙ্ককী দেপ্যুটি জেনরেল মেনেজর এল অঙৌবনা প্রসিদেন্ট ওইখি। আই সী এমগী হান্নগী দিরেক্টর ডা. এন রঞ্জনানা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা এ সুভাসনা হায়খি, নুমীৎ নীনিগী ওইবা ট্রেনিং অসি য়াম্না মরুওইবা ট্রেনিং অমনি। মোটিভেসন হায়বসি বেঙ্ককী থবক তৌরিবশিংদা য়াম্না মরুওই। বেঙ্ক চাউখৎনবা হোৎনরিবনি। আই সী এমদগী টোপিক অহুম পীরকপনি। মোটিভেসন অমদি টিম বিল্ডিং খনখিবনি। সোফ্ট স্কিল ট্রেনিং অসি য়াম্না মরুওই। সোফ্ট স্কিল ট্রেনিং অসি য়াম্না নুংঙাইবা অমসু ওই। মসিনা য়াম্না কান্নে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা আই সী এমগী দিরেক্টর ইন-চার্জ কে জয়চন্দ্রসু শরুক য়াখি। ট্রেনিংগা মরী লৈননা সার্টিফিকেটসু য়েন্থোকখি।

অমরোমদা, দিরেক্টর, ফেকল্টি, ষ্টাফ অমদি ট্রেনি ওফ আই সী এম লম্ফেলপাৎনা শীন্দুনা দিপ্লোমা ইন কোওপরেটিভ মেনেজমেন্টকী ভেলিদিক্টরি ফঙ্কসন অমা ঙসি আই সী এমগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

## ‘এ আর পর্সনেলগী থৌওং কন্দেম তৌই’

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ২০দা খুদেংথাবী চেক পোষ্টতা ১২শুবা এ আর সিপোই, পি কে পান্দেনা আই পি এস ওফিসর অমদা চথখিবা থৌওং অসি পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপুনবা মণিপুরনা য়াম্না লুম্না লৌবগা লোয়ননা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। অসিগুম্বা নুপী খুন্নাইবু শিংনরক্লিবা অসিদা ঙসিগী লৈঙাক্না অথুবা মতমদা মীয়াম খঙনা চৈরাক পীগদবনি হায়না পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপুনবা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এল মেমচৌবীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

অমরোমদা, মোরেদা দ্যুটি চৎলুরগা হল্লকপদা নুপী আইপি এস ওফিসর অমবু খুদেংথাবীদা এ আরগী রাইফলমেন অমনা তমথিবা থৌওং চথখিবা অদু তাবদা অকিবা তুজুংবা পোকই। নুপী আই পি এস ওফিসর অমদা ফাওবা তেমশিংনরক্লবনিনা ইচম চমজবা লমদমসিগী নুপীশিংদদি করম্বা মীৎয়েং, করম্বা থৌওং চথরক্কদৌরিবনো হায়বদু ইফোং ফোংনা উবা ফংলি। এ আরগী পর্সনেল অসিনা চথখিবা থৌওং অসি কন্দেম তৌই হায়না ওল মণিপুর ৱিমেন্স ভলন্টরি এসোসিএসন্না ফোঙদোরক্লি।

## বোম পোকখায়হনবা য়ানিংদে : য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস): নাগামপাল রিমস রোদকী লম্বী হৌরকপদা থা অসিগী ২৩গী অয়ুক পুং ৫ রোম তাবদা মতিক ময়াই লৈরবা বোম পোকখায়হনবগী থৌদোক য়ানিংদে হায়না ৱার্কর্স য়ুনিয়ন মণিপুর (ৱুম)গী মীদিয়া কোওর্দিনেটর টি ঐচ পুথিবা মৈতৈনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিনা রুটিন নাইনা নোংমগী শোয়বা য়াদনা অয়ুক-নুমীদাংদা শুমজিৎ শিৎতুনা অমদি পৈশিল্লিবা অমোৎপশিং খোমজিল্লিবা নোংমগী চরা তাঞ্জরিবা শিন্মীশিংদা অদুক্কী মতিক পূক্লিং নুংনাংবা অমদি অৱাবা কয়া পোকহল্লে। বোমবু মীয়াম মরক্তা পোকখায়হল্লম্লগা অশোক-অপন য়াওরকপদা বোম পোকখায়হল্লিবশিংনা পাম্লিবা টার্গেটতুদা পান্দদনা ইচম চমজবা মীওইশিংদা মীশি-মীনা, খুদোংথিবা কয়া থোক্লকপদা ৱাগদৌরিবসি কনানো। লমদম অসিদা তেংবাংবীনবা অমদি শিন্মীবু পূক্লিং থৌগৎপীবা ৱাৎপা, হন্থনা য়েংবা মীৎয়েংগী মরক্তা অকল-অথৌশিংনা অসিগুম্বা থৌওং চথরকপদা শিন্মীশিংনা পূক্লিং য়াম্না ৱাজে। ঙসিগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা করিসু খঙজদবা শিন্মীশিংদা তারিবা অৱাবসি বোম পোকখায়হল্লল্লিবশিংনদি উবীরল্লোই।

থৌদোক অসিগী লংলা লংজিন থিবদা শুজ-নোমজরিবশিংবু তৌদবা য়াদবা লৈঙাক্কী অকনবা পাউতাক্কী মতুংইন্না ৱাহং পাউহং কয়া তৌবদা মাঙখ্রিবা মতম অসি কৈদৌনুংদা মেনশিনবা ঙল্লরোই। বোম পোকখায়হল্লিবশিংনসু চহী কয়া চঙনা হোৎনরবসু ঙসি মাঙখ্রিবা মতমদুদি অমুক ফংবা ঙল্লরোই। মসিগীদমক ৱুমনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি। মতুং তারকপদা অসিগুম্বা থবক অসি চথদ্রিঙৈদা কৈথেল অমদি মসিগী অকোয়বদা নোংমগী চরা তাঞ্জরিবা, মরাল লৈজদবা শিন্মী কয়া অয়ুক, নুংথিল, নুমীদাং নাইদনা চরা তাঞ্জরিবা মফমনি হায়বসি খন্থবীরগা অমুক হন্না থোকহনবীগনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ‘কোলেজ ওজাশিং, ইমপ্লোয়ী খুদিংমক্তা ৭শুবা পে খুদক্তা পীথোকউ’

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী কোলেজ ওজাশিং অমদি ইমপ্লোয়ী খুদিংমক্তা ৭শুবা পে খুদক্তা পীথোকউ হায়না ওল ইন্দিয়া ষ্টেট গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ীজ কনফিদরেসন (এ আই এস জি ঈ সী)গী ষ্টেট সেক্রেটরি ডা. ঈ গিরানিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ওল ইন্দিয়া ষ্টেট গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ীজ কনফিদরেসন মণিপুর য়ুনিটনা মণিপুরগী কোলেজ টিচরশিংনা ৭শুবা পে তানবগী খোঙজংদা মপুং ফানা সপোর্ট তৌরি। জন্যুৱারী থা মনুং ফাওবদা দিমান্দ অসি পীদবা থোক্লবদি কনফিদরেসন্নসু অকনবা খোঙজং চথরগনি।

বি জে পি গভর্ণমেন্টনা ৱাশক্তুনা মখোয়দা ভোট পীদুনা লৈঙাক পায়হল্লবদি মণিপুরগী গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ী খুদিংমক্তা চপ চানা ৭শুবা পে পীগনি হায়খিবদু ঙসি ফাওবা থবক ওইনা পাঙথোক্ত্রি। লৈঙাক অসি চহী ৫ ফাগদৌবা চহী ২ ফারক্ত্রে। অদুগা করিগীদমক পন্থদুনা লৈরিবনো। ত্রিপুরাগুম্বা ষ্টেট কয়াদা ৱাশকখিবগী মতিক থবক ওইনা পাঙথোক্তুনা ৭শুবা পে পীখ্রবনি। অদুগা মণিপুরগীনা করিগীদমক চপ চানা পীবা ঙমদ্রিবনো। লৈঙাক অসিনা ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী থৈদোক-থৈজিন ৱা ঙাংবনদি ইমপ্লোয়ীশিংনা পেনবা অমসুং থাজবা ঙল্লোই। মরম অদুনা তৌগে হায়বা থবক অদুতমক ঙমগনি হায়বা ৱাশক তৌবীয়ু।

এ আই এস জি ঈ সীনা ইন্দিয়াগী ষ্টেট খুদিংমক্তা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী ইমপ্লোয়ীশিংদা পীবগুম পীফম থোকই হায়না য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টরদা চেরোল থাখ্রে। অদুবু থবক ওইনা করম্বা মওংদা মায় পাকহনগদগে হায়বদু তৌদ্রি। মরম অদুনা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনসু ষ্টেট লৈঙাক্তা ৭শুবা পে পীথোক্লবা এদভাইস তৌফম থোক্লে।

য়ু জি সী অমদি হায়র এদ্যুকেসন লোয়শঙশিংগী হায়র ওফিসলশিংবু ফম হোংদোক হোংজিন তৌবা অমদি ত্রান্সফর তোয়না তৌবা অসিনা হায়র এদ্যুকেসন্দা অকায়বা কয়া লৈহল্লিবা অসি খুদক্তা তৌরোইদবনি। লোয়ননা মণিপুর লৈঙাক্লসু য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টরবু হন্দক্তা ত্রান্সফর তৌখিবা অসিনা মণিপুরগী হায়র এদ্যুকেসন্দা অকায়বা কয়া লৈহল্লে। মরম অদুনা ত্রান্সফর ওর্দর খুদক্তা কক্কদবনি।

রমসা অমদি এস এস এগী ওজাশিংদা হরাসমেন্ট পীরিবা অসিনা এদ্যুকেসন্দা অশোকপা কয়া লাক্লগনি। মরম অদুনা লৈঙাক্না অথুবদা সোল্যুসন পুরক্কদবনি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ৱাথোক অসিবু ঙসি ফাওবা লোইশিন্দনা থল্লিবা অসিসু অঙকপা অমনি। বি জে পি লৈঙাক্না ভি সীদগী মথৌ লৌথোকখ্রবা পান্দেবু কন্নবা কন্না হোৎনরি হায়রি।

## এম এ দব্লিয়ু সীগী মপোক নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস): মোলনোই এরিয়া ৱেলফেয়র কাউন্সীল (এম এ দব্লিয়ু সী) তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট লিংখৎখিবা চহী ৬ মপুং ফারকপগী মপোক নুমীৎ থৌরম ঙসি মোলনোই কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

কুকি বেপটিষ্ট কনভেন্সন (কে বি সী) চর্চ মোলনোই এরিয়াগী পাষ্টর রেব. লেট্টিনলাল চোংলোইনা ব্লেসিং মিনিষ্টর ওইদুনা পাঙথোকখিবা ঙসিগী থৌরম অদুদা মীয়াম্না কাউন্সীল অসিগী ৱেলফেয়রগীদমক তাইবং শেম্বা মপুগী মফমদা হায়জবা লোয়ননা কাউন্সীল অসিগী থবক থৌরম কয়াদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা লৈখিদ্রবা ঐচ ৱাজাং ভিলেজগী চীফ হোলখাই হাওকিপকী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। মোলনোই এরিয়াগী খুলশিংগী নিংথৌশিংদা খুদোল পীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎপনা ফাউন্দেসন দে থৌরম অসিগী মপুং ওইবা থৌরম ওইখি।

থৌরম অদুদা ৱাঙাংলোয় কয়ানা কাউন্সীল অসিনা পায়খৎখিবা থবক থৌরমশিং শিংথাদুনা মীয়ামদা পাউদম্বা অমদি তুংদা পায়খৎলক্কদবা থবক থৌরমশিংদা মীয়াম্না মতেং পাংবীনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লুখি।

## বি জে পি লৈঙাক লাকপদগী লৈবাক অসিদা থবক ফংদবগী চাং য়াম্না ৱাংনা হেনগৎলে : বুপেন্দা

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস): বি জে পিনা লৈবাক অসিদা হেক লৈঙাক পায়রকপদগী ইন্দিয়াগী হৌখিবা চহী ৪৫গী মনুংদা থবক ফংদবগী চাং খ্বাইদগী ৱাংনা লৈরে হায়না ঙসি কোঙ্গ্রেস ভবনদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবগী মীফম অমদা মণিপুর প্রদেশ কোঙ্গ্রেস কম্মিটিগী স্পোক্স পর্সন নিংঙোম্থম বুপেন্দনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মীফম অদুদা মখা তারদুনা হায়, হৌজিক-হৌজিক লৈবাক অসিদা লৈরিবা নহা ৫গী মনুংদা নহা ২দি থবক ফংদনা লৈরি। মালেমগী চাউখৎপা ৱাৎলিবা লৈবাকশিংগা য়েংনরুবদা ইন্দিয়াদা থবক ফংদবগী চাং য়াম্না ৱাংনা লৈরে। বি জে পিনা লৈঙাক্লিবা লৈবাক অসিদা লৈবাক অসিগী নহারোলশিংগী থবক ফংদবগী প্রোব্লেম কোকনবা হোৎনবগী মহুৎতা মখোয়গী ভোট বেঙ্ক ওইনবা থবক ওইনা তৌরগা লৈরে।

থবক ফংদবনা খম-থেংনা ৱারবা লৈবাক অসিগী নহারোলশিংগী খন্দনা রিলিজনদা য়ুম্ফম ওইবা অমদি মপান লৈবাক্তগী লাকপা মীওইশিংদা ইন্দিয়াগী সিটিজন পীনবা অরানবা থবকশিং তৌদুনা লৈবা অসি লৈবাক অসিগী ওইনা য়াম্নমক লাইবক থীবা হায়বদুনি। হৌখিবা চহী কুমজা ২০১৯দা সী এম আই ইগী দেটাগী মতুংইন্না থবক ফংদবগী চাং চাদা ৮.৪৮ লৈখ্রে। লোয়ননা নেসনল ক্রাইম ব্যুরোগী দেটাগী মতুংইন্না লৈবাক অসিদা থবক ফংদবা মীওই পুং ২ খুদিংগী মীওই ৩ সুইসাইদ তৌদুনা শিরি। লোয়ননা হৌখিবা চহী ২০১৮দা থবক ফংদবনা মরম ওইদুনা মীওই ১২,৯৩৬ সুইসাইদ তৌদুনা শিখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

সী এম আই ইগী রিপোর্টকী মতুংইন্না হৌখিবা চহী ৫ অসিগী মনুংদা মীওই ক্রোর ৫ হেন্না থবক ফংখিদে। চাদা ১৮.৭গী চাংদা অর্বান এরিয়াদা লৈরিবা নহাশিং থবক ফংদবগী চাং হেনগৎলক্লি। লোয়ননা লৈবাক অসিদা দিমোনেটাইজেসন তৌখ্রবা মতুং মীওই মিলিয়ন ৩৫ ইন্দষ্ট্রিজদা থবক তৌরম্বদগী লৌথোকখি। হৌখিবা চহী কুমজা ২০১৮দা লৈবাক অসিদা লৈরিবা নুপী লাক্ষ ৮৮ থবক ফংখিদে। হৌজিক লৈবাক অসিদা লাক্ষ ৭ হেন্না হাংদুনা লৈরিবা জোবসু লৌদনা লৈবা অসি অথুবা মতমদা লৌনবা বি জে পি লৈঙাক্না শিনগদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মণিপুরদা হাংদুনা লৈরিবা পোষ্টশিংসু মণিপুর লৈঙাক্না অথুবা মতমদা লৌনবা হোৎনবিয়ু। লোয়ননা লমদম অসিদা থবক ফংদনা লৈরিবা নহারোলশিংগী খনদুনা থবক লৌনবা হোৎনবিয়ু হায়না মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুর প্রদেশ কোঙ্গ্রেস য়ুথ কম্মিটিগী সেক্রেটরি এম সুভাসচন্দ্রনসু ফোঙদোকখি।

## এক ভারত শ্রেস্থা ভারত পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস): মিনিষ্ট্রি ওফ টুরিজম, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, ইন্দিয়া টুরিজম, ইম্ফালনা শীন্দুনা এক ভারত শ্রেস্থা ভারত হায়বা থৌরম অমা ঙসি ৱাংখৈ য়োংলান লৈরক্তা লৈবা সোং এন্দ দ্রামা দিভিজনগী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, এ দি জি (আর) ইম্ফাল দি জে নরায়ননা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়া হায়বসি পাক চাউবা অমদি ফুরুপ কয়ানা পুন্না লৈবা লমদম অমনি। মসিদা য়ুনিটি অমসুং দাইভর্সিটি করম্না পুরক্কদগে হায়বসি খন্নবা চঙই। মপান লৈবাকশিংদা য়েংদ্রবসু ইন্দিয়াগী পাক চাউরবা লমদম অসিদা য়েংদুনা হোৎনসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

রিছোর্স পার্সন ওইখিবা সোং এন্দ দ্রামা দিভিজন, ন্যু দিল্লিগী হান্নগী দিরেক্টর এন নবচন্দ্রনা হায়খি, ইশা-ইশাগী ইরোল-ইয়েক নীংথিনা খঙবা চঙই। স্কুল এদ্যুকেসন্দগী হৌরগা লোল, ময়েক অসি য়াম্না মরুওই। হৌজিক্কী অঙাংশিংনা মীতৈ ময়েক খঙলক্লিবা অসি কান্নবা ফংগনি। ইশাগী ইয়েক খঙবগী কান্নবা য়াম্না লৈ। ইশাগী হান্না খঙলবা মতুংদা অতোপ্পা লমগী ফিজেৎ-চাকচা ময়ামসু খঙলক্লগনি। ইশাগী হান্না খঙদনা অতোপ্পা লমগী খঙবা হায়বসি ৱাহন্থোক ফংলোই। ইশাগী লোল, ময়েক চৎনবী নীংথিনা খঙবা তঙাইফদে। ইশাগী শক্তম খঙবা হায়বসিনা য়ুনিটি অমসুং দাইভর্সিটি পুরকপা ঙম্বা ওইগনি। মসিনা নুংশি-চান্নবা পুরকপা ঙমগনি। ফুরুপশিংগী মরক্তা নুংশি-চান্নবা লৈমিন্নবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। ফুরুপ কয়ানা পুন্না খুন্দামিন্নরিবা লমদম অসিগী শক্তম, নাৎ, চৎনবী নীংথিনা ঙাকমিন্নবা তঙাইফদে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা আর ও বি গুৱাহাতিগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর বিপুল গোরনা প্রসিদেন্ট ওইখি।




